# ‘মতম খরগী নত্রগা খুদক্কী পার্ফোমেন্স ফজহন্নবা হোৎনবদা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগশিং শীজিন্নরোইদবনি’

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস):** শান্নরোয়শিংনা মায় পাকপা নত্রগা খুদক্কী ওইবা মীংচৎ ফংনবা হোৎনবদা ৱর্ল্ড দোপিং এজেন্সী (ৱাদা)না অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং কৈদৌনুংদা শীজিন্নরোয়দবনি মদুনা শান্নরোয়শিংগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়না নেশনল স্পোর্টস য়ুভির্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর শ্যামসুন্দর রাথনা ফোঙদোকখ্রে।




নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) ইম্ফালনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মলটিপর্পজ হোলদা দোপিং ইন স্পোর্টস-ইথিক্স অমদি রিগ্যুলেসনগী মতাংদা পাঙথোককখিবা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপতা ভাইস চাঞ্চেল্লর শ্যামসুন্দর রাথনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা ভাইস চাঞ্চেল্লর শ্যামসুন্দর রাথনা ফোঙদোকখিবদা শান্ন-খোৎনবা হায়বসিনা মীওইবগী হকচাং ফনা লৈহনবতা নত্তনা থকশি-খাশিগী ফজবা মচৎ অমা ঙাক্লি। মতীক চাবা শান্নরোয় অমা ওইনবা হোৎনবদা শান্নরোয়শিংনা থকশি-খাশি নাইবা, পুকচেল শেংবা, হোৎনবা কনবা অমদি মশাগী মথৌ মশক খঙবা চঙই। থকশি-খাশি খঙদবা মশাগী থৌদাং মশক খঙজদবা শান্নরোয় অমত্তনা কৈদৌনুংদা মায় পাকপা শান্নরোয় ওইবা ঙম্লোই। শান্নরোয়শিংনা হকচাং ফনবা হোৎনবদা মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা মথৌ তাই। অদুবু শান্নরোয়শিংনা হকচাং ফহন্নিংলিবনি হায়দুনা সপ্লিমেন্টরি সবষ্টেন্স শীজিন্নবা মতমদা ৱর্ল্ড দোপিং এজেন্সী (ৱাদা)না অথিংবা থমখ্রবশিং কৈদৌনুংদা শীজিন্নরোইদবনি অমদি শীজিন্নদ্রিবঁগী মাঙওইননা সবষ্টেন্স অদুগী মতাংদা খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি। পান্দম অমগী মখাদা নত্রগা খঙহৌদবা মীকুপ্তা হায়রিবা ৱাদানা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং শীজিন্নরুবা মতমদা শান্নরোয় অদুগী তুংগী পুন্সিদা অকায়বা লাকপা য়াই হায়বসি কাওরোইদবনি। মরম অদুনা হকচাং ফনবা অমদি পার্ফোমেন্স ফগৎহন্নবনি হায়দুনা অথিংবা থমখ্রবা সবষ্টেন্সশিং চারোইদবনি। ৱাদানা চহীগী ওইনা লিষ্ট থোক্তুনা অথিংবা থম্লবা সবষ্টেন্স অমত্তা শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নদনবা খঙহল্লি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অদুদা নেশনল দোপ টেষ্টিং লেবোরেটরি (এন দি টি এল)গী দিরেক্টর অমসুং সী ই ও ডা. পি এল শাহু, রিমসকী স্পোর্টস মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি প্রোফেসর এ কে জয়, পদ্মশ্রী অমসুং খেল রত্ন এৱার্দিসু ওইরিবী ওলিম্পিয়ান এন কুঞ্জরানি, নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ডা. এল দিবামনি অমদি রিমসকী স্পোর্টস মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র রেজিদেন্ট ডা. এল সুভাসিনিসু মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা ডা. এল সুভাসিনিনা এক্সিদেন্টেল দোপিংগী মতাংদা কান্নরবা ৱাফম কয়া শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংদা থমদুনা খঙহনখি। লোয়নননা শান্নরোয়শিংনা নো ইয়োর মেদিসিন (কেৱাইএম) এপ শীজিন্নদুনা হেন্না মীৎশিং নাশিংনা লৈনবা খঙহনখি।

# অথেংবদা চনখিবা রহিম অলিগী পাঞ্জলনা ইন্দিয়া মায়থীগদবদগী কনবা ঙমখ্রে

**সিঙ্গাপোর, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী):** সিঙ্গাপোরনা য়ুম্ন ওইদুনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা এ এফ সী এসিয়ান কপ ক্বালিফিকেসনগী ঙসি গ্রুপ সীগী শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়া অমসুং সিঙ্গাপোর মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।



সিঙ্গাপোর নেশনল ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মায় পাকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। অদুমওইনমক হৈশিংলগা সিঙ্গাপোরগী শান্নরোয়শিং মখোয়না কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা মরাং কায়না ফংবা ঙমখিদে। সিঙ্গাপোরগী মায়কৈদগীসু মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না শান্নখি। সিঙ্গাপোরনা এটেক হেন্না চথদুনা শান্নবা ঙম্লবসু পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিংদি অদুম্মক মায় পাকপা ঙম্নদনা লৈখি।

নাকল অনীমক্লা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা সিঙ্গাপোরগী ইখসান ফন্দিনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইক্লেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা হান্নদগী হেন্না অকনবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। অদুমওইনমক সিঙ্গাপোরগী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং পীখিদবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা কয়া অরেম্বদা তাহনখি। নাকল অনীমক্লা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অরোয়বা ৯০ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী রহিম অলিনা ইক্লেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখিবনি।

গ্রুপ সীগী ওইনা ইন্দিয়ানা মেটচ অহুম শান্নবগী মনুংদা মেটচ অনী দ্রো চৎলগা অমনা মায়থীবা নঙদুনা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ২ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। অদুগা সিঙ্গাপোরনা মেটচ অহুম শান্নবদা অমা মায় পাল্লগা অনী দ্রো চৎলগা পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৫ ফংলগা অহানবা মফম কন্দুনা লৈরি।

অমরোমদা, এ এফ সী এসিয়ান কপ ক্বালিফিকেসন অসিগী গ্রুপ দিগী ঙসি শ্রীলঙ্কা অমসুং টর্কমেনিষ্টানগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা শ্রীলঙ্কানা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকপা ঙমখ্রে। শ্রীলঙ্কাগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অনীশুবা হাফকী ৬৭ শুবা মিনটতা লিওন পেরেরানা চনখিবনি। গ্রুপ দিগী ওইনা শ্রীলঙ্কানা মেটচ অহুম শান্নবদা ২ মায় পাল্লগা অমনা মায়থীবা নঙদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

# এস ও ৱাই ও উরিপোক কাংচুপ রোদনা খুরখুল য়ুথ ক্লবপু লাকচনা থোইখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পার্ট-২দা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা হৌজিক চথরিবা ৩০ রক শুবা এল শঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা এস ও ৱাই ও উরিপোক কাংচুপ রোদনা খুরখুল য়ুথ ক্লব (কে ৱাই সী) খুরখুলবু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা চথরিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ঙসি ১৩ শুবা লিগ মেটচতা এস ও ৱাই ও অমসুং কে ৱাই সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এস ও ৱাই ওগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ১৫ শুবা মিনটতা এস ও ৱাই ওগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় এল তোম্বনা চনখিবনি। মখা তানা শান্নখিবদা মেটচ অদুগী ২৯ শুবা মিনটতা এস ও ৱাই ওগী এল মোটিলালনা মহাক্কী অহানবা অমদি টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস ও ৱাই ওনা কে ৱাই সীদগী পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা কে ৱাই সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি অদুবু বোল পায়বগী চাং ৱাৎপনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং ফংবা ঙমখিদে। অমরোমদা, মেটচ অদুগী ৭৬ শুবা মিনটতা এস ও ৱাই ওগী এল তোম্বনা মেটকী অহুমশুবা অমদি মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু এস ও ৱাই ওনা পাঞ্জল ৩-০দা লাকচনা থোইবা ঙমখিবনি। হয়েং নুংথিল পুং ১২.১৫ তাবদা মতমদা বি এম এস সী অমসুং কে এ এন অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি।

# অতিয়া এফ এ টিম (এ) অমসুং ফাইব ব্রদর্স মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস):** পিশুম হাও গ্রাউন্দদা লৈবা মল্টি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা অহানবা সী ৱাই এল সী গ্রাসরুট অন্দর ১১ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা অতিয়া এফ এ টিম (এ) অমদি ফাইব ব্রদর্স মায় পাকখ্রে। অতিয়া এফ এ টিম (বি)না ৱার্কওভর ফংখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা মেটচ অমদনা হিরোইক এফ এ অমসুং নেসু টিম দ্রো চৎখ্রে।

সী ৱাই এল সী শীংজমৈ চীংঙামথক্লা শীল্লগা তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না কাঙলুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী শান্নখিবা লিগ মেটচতা অতিয়া এফ এ টিম (এ)না রতন এফ এবু লাকচনা পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অনীশুবা গ্রাউন্দগী লিগ মেটচতনা ফাইব ব্রদর্স ৱাঙ্গু সাবলনা সঙাই এফ এবু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা অতিয়া এফ এ টিম (বি) অমসুং চকপা এফ এ অনীগী মরক্তা শান্নগনি হায়না তৌরমখিবা মেটচ অদুগী ওইনা চকপা এফ এ লাইন অপ তৌরখিদবনা মরম ওইরগা অতিয়া এফ এ টিম (বি)না ৱার্কওভর ফংবা ঙমখ্রে। অদুগা হিরোইক এফ এ অমসুং নেসুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

# য়ু বি এস এনা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী থোইখ্রে, ৱালিদা অমসুং কে এফ সী দ্রো চৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিএশন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা য়ু বি এস এ মান্তক মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱালিদা ৱাবগাই অমসুং কে এফ সী ককচিং দ্রো চৎখ্রে।



দি এস এ ককচিংনা শীন্দুনা চথরিবা ২১ রক শুবা কে এস ঐচ কিশ্বরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচতা য়ু বি এস এ মান্তকনা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাই কদাজিৎপু মায়থীবা পীরমখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপদগী হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী পাঞ্জল অনী অদু মেটচকী ২শুবা অমদি অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা সুরেস অমসুং য়াইফবনা অমমম চনখিবনি। য়ু বি এস এ মান্তককী পাঞ্জল অদুনা ২১ শুবা মিনটতা সিংনৈচুংনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্লা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙম্নবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরকখি। টিম অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখ্রবা মতুং মেটচ অদুগী ৭৩ অমসুং ৭৫ শুব মিনটতা য়ু বি এস এসগী লৈভোন জোসেফনা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু য়ু বি এসনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, ৱালিদা অমসুং কে এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি।

# প্রভাবটি কোলেজগী জুদো টিমনা নুপা অমসুং নুপী অনীমক্কী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা কামখ্য পেমতোন কোলেজ হিয়াংথাংনা য়ুম্ন ওইদুনা চথরকখিবা নাওরেম রাজেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ জুদো (মেন)টুর্নামেন্ট২০২৫-৫৬ অমসুং নাওরেম ওংবী তম্পাকলৈমা দেবী মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ জুদো (ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬কী ওইনা প্রভাবতি কোলেজনা নুপা অমসুং নুপী টিম অনীমক্কী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী ওইনা কোলেজ ১১ অদুগা নুপীগী ওইনা কোলেজ ৬তগী লাকপা শান্নরোয়শিংনা অথোয়-অহেন চাংদম্নখি। নুপাগী কেজি ৬০গী কাঙলুপ্তা প্রভাবতি কোলেজগী ৱাই য়ুহেনবনা গোল্ড, পোল ষ্টার কোলেজগী টি ঐচ সুরজনা সিলভর অদুগা ময়ায় লম্বী কোলেজগী এল কবিরাজ অমসুং অথোই জেনিট এননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌমীন্নখি।

কেজি ৬৬কী কাঙলুপ্তুনা প্রভাবতি কোলেজগী অব্দুল হকিমনা গোর্ল্ড, খা মণিপুর কোলেজগী এল গুরুজয়না সিলভর অদুগা এম য়ুগী টি ঐচ ভৈগ্যচন্দ্রনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৭৩গী কাঙলুপ্তুনা জে সী আর এ গ্লোবেল কোলেজগী এল জেননা গোল্ড, প্রভাবতি কোলেজগী ও রিসিকান্তনা সিলভর অদুগা ময়ায় লম্বী কোলেজগী এম বোবোইজোসি অমসুং খা মণিপুর কোলেজগী এম নিবাসনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংমীন্নখি।

কেজি ৮১গী কাঙলুপ্তা প্রভাবতি কোলেজগী ঐচ ব্রেনিনা গোল্ড, লিবরেল কোলেজগী অভিসেক অধিকারিনা সিলভর অদুগা ময়ায় লম্বী কোলেজগী এল লনচেনবা অমসুং প্রভাবতি কোলেজগী এন রোবিন্সননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংমীন্নখি। কেজি ৯০গী কাঙলুপ্তা মণিপুর কোলেজগী কে বিশ্বনাথ অমসুং সী ঐচ আইরিসনা মথংশিংনা গোল্ড অমসুং সিলভর অদুগা নাওরেম বিরহরি কোলেজগী টি ঐচ প্রিতমকুমারনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ১০০গী কাঙলুপ্তুনা নৈলিটকী আর কে খৃষ্টান অদুগা কেজি ৬০ মখাগী কাঙলুপ্তুনা এন জি মনি কোলেজগী থৌদাম অপিরোনা গোল্ড মেদলশিং লৌখি।

নুপীগী ওইনা কেজি ৪৮ মখাগীদা প্রভাবতি কোলেজগী এম রোসিবিনানা গোল্ড, এস এস জি সীগী এম সিলকিনা সিলভর অদুগা ময়ায় লম্বী কোলেজগী পি রোজনানা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৫২ মখাগী কাঙলুপ্তুনা টি এস পোল মণিপুর ৱিমেন কোলেজগী এস ব্যটিনা গোল্ড, প্রভাবতি কোলেজগী এস কৃটিনা অমসুং লাইশ্রম সিলকি চনুনা মথংশিংনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ৫৭ মখাগী কাঙলুপ্তুনা জে সী আর ই গ্লোবেল কোলেজগী এল চাওবনা গোল্ড, পোল ষ্টার কোলেজগী এন মেলোদি চনুনা সিলভর অদুগা প্রভাবতি কোলেজগী ঐচ সোভাসিনিনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৬৩ মখাগী কাঙলুপ্তুনা প্রভাবতি কোলেজগী অসেম লিন্থোইঙানবীনা গোল্ড অদুগা কেজি ৭৮ মখাগী কাঙলুপ্তুনা ময়ায় লম্বী কোলেজগী লোংজম নোকফেদকানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

# জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৪ শুবা এদসিন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস):** জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএশন (জি এফ এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ১১দগী হৌরগা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ১৪ রক শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ পাঙথোক্লগনি হায়না জি এফ এগী চেরোল অমনা হায়রি।

জি এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, হৌদোকপগী থৌরম অদু ৱাঙ্খৈ এ সীগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি অদুগা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গর্ভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দি সী হান্না কামৈ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী পুজা এলাংবম, কম্মিস্নর ওফ টেক্সেস গর্ভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর মর্সিনা আর পানমৈ অমসুং য়াসকী দিরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেটোনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং অদুগা জি এফ এগী প্রসিদেন্ট জি অগুইলুংনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা জেলিয়াংরোং ভিলেজ শিংদগী লাকপা ক্লব ৩৬না শরুক য়াগনি। টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী অহানবা মেটচতা গাইদিমজাং য়ঙ এসোসিএশন অমসুং রগাইলোং সোক্কর-১১ লম্বা তৌনগনি।





HL-B/9907/10


# লোস এঞ্জেলস এফ সী মায় পাকখ্রে

**কেলিফোনিয়া, ওক্টোবর ০৯ (এজেন্সী):** য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ষ্টেদিয়মশিংদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা মেদল লিগ সোক্করগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লোস এঞ্জেলস এফ সীনা টোরোন্টো মায়থীবা পীখ্রে।

কেলিফোনিয়াদা লৈবা বি এম ও ষ্টেদিয়মদা লোস এঞ্জেলস এফ সী অমসুং টোরোন্টোগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা লোস এঞ্জেলস এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। পাঞ্জলশিং অদু জেরেমি অমসুং ফ্রেঙ্কিনা চনখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1617

**GM M. Narciso Dublan (2516) - GM V. Bernadskiy (2593)**
**8th Lorca Open 2019 Lorca ESP, 2019.12.29**

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.f3 Bg7 4.e4 O-O 5.Nc3 c6 6.Be3 d6 7.Nge2 a6 8.c5 Nbd7 9.cxd6 exd6 10.Ng3 b5 11.Be2 c5 12.O-O cxd4 13.Bxd4 Bb7 14.Re1 Rc8 15.Bf1 Re8 16.Rc1 Ne5 17.Qb3 h5 18.Nh1 Nxf3+ 19.gxf3 Nxe4 20.fxe4 Bxd4+ 21.Nf2 Qh4 22.Rc2 Rxc3 23.bxc3 Qg5+ 24.Bg2...

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1616 Solution :**

**35. ...Rxe7** *The black rook deflects White's queen away from protecting the square g1 and the square f2.* **36.Qxe7**
*36.b6 Rxe3+ 37.Bxe3 Qe2#*
**36. ...Qg1+** *The black queen attacks White's king, which is defending the square f2.* **37.Kd2 Qf2+ 38.Kd3**
*38.Qe2 Qxe2#*
**38. ...Bf5+ 39.Qe4 Bxe4#** *Balestra mate*
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com